# হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




চহী খুদিংগী লৈবাক্কী থৌনি থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোরকপগুম হিয়াঙ্গেগী ১৩নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লাইরেম্বা-লাইরেম্বীগী ফিজে াল হোংদুনা থৌনিখিবদা শরুক য়াখিবশিং


লৌশিং পূক্কে : হকচাং শাজেল তৌবগী হৈনবী ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হুন্নবা, ঙাঙনবা তোকপীরো, তাজনীংদ্রে
কায়নবা য়ারোই ঐখোয় : কায়নরসি হায়নরোইসিকো... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ নেশনল পার্টিনা লিশাং-শিংনা লৈঙাক্লকপদগী...
রিয়েল-টাইম ঈ-দারদা য়ুম্ফম ওইবা নেশনল... ☛ লামায় ৯
লামায় ১১ ☛ আই সী সী ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ...


মমাঙ থাগী ২৫দা মোরেদা মৈ চাকখিবা য়ুম খরগী ইমুংগী মীওইশিংদা তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দেপ্যুটি কঞ্জার্ভেটর মহামুদা বেগমনা লুচিংবা ওফিশলশিংনা চান-থক্লবা অমসুং শেলগী তেংবাঙ খূৎশিন্নবা




Vol. 49, Issue No. 210 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গেগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 04, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### য়ুনিয়ন ষ্টেট হোম মিনিষ্টর বন্দি সঞ্জয় কুমার থুংলরে

# আই দি পিশিংগীদমক রিলিজ তৌখিবা শেনফম য়াওনা সেন্ত্রেল স্কিমশিং রিভিয়ু তৌখ্রে নুমিদাংৱাইরম রাজ ভবনদা লাক্তুনা গভর্ণরগা চিকথনখ্রে, ঙসি নোনেদা চৎকদৌরি

### ফেরজোল দিষ্ট্রিক্তা চৎনবগীদমক গভর্ণরনা কংলাদগী হেলিকোপ্টর তোংনবা হোৎনখ্রবসু ৱেদর ফত্তবদগী কেন্সেল তৌরগা চৎখিদ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসগী ষ্টেট মিনিষ্টর বন্দি সঞ্জয় কুমার ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা পাঙথোরল্লিবা সেন্ত্রেল স্কিমশিং য়াওনা আই দি পিশিংগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিলিজ তৌখিবা ফন্দশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা রাজ ভবনদা চৎতুনা গভর্ণরগসু উন্নখ্রে।

ষ্টেট মিনিষ্টর অসি ঙসি নুংথিল পুং ১.৫০ তারকপদা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবনি। মহাক্না হেক থুংলবগা পন্থদনা ওল্ড সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা মহাক্না চের লৌদুনা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখি।

মীফম অসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না স্পোন্সর তৌবা তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নেশনল সিক্যুরিটিগার্দ (এন এস জি) গী দিরেক্টর জেনরেলনা গভর্ণরগা উন্নখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিগী নেশনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) গী দিরেক্টর জেনরেল বৃঘু শ্রীনিভাসননা ঙসি নুংথিল রাজ ভবনদা চত্তুনা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা উন্নখ্রে। উন্নবা অসিদা দি জিগী মায়কৈদগী এন এস জিনা মতম অমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিং মপূং ফানা য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রবসু নোংমদা লুপা ৮৪গী শেলদি লৈঙাক্না দি বি টিগী খূত্থাংদা পীবা হৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মে ৩ ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা চথুরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন ঙসি চহী অনী মখায় চপ চানা মপূং ফারবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পুরকপা ঙমদনা লৈবদগী রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগী মনুংদগী খরখক্তমক হঞ্জিনবা য়াবা ময়ুমশিংদা হঞ্জিল্লবসু ঙসি ফাওবদা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই লিশীং ৫০গী মথক্তা ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদনা লৈরক্লবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোম দিপার্টমেন্টনা মমাঙ থাগী ২৪দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মতুংইন্না আই দি পিশিংদা পীফম থোকপা শেনফমশিং দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি) গী খূত্থাংদা পীবা হৌখ্রে।

হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ২৪দা চীফ সেক্রেটরি ডা. পি কে গোয়লনা থোকখিবা মেমোরেন্দম অসি লোয়শঙ অসিমক্না জুন ৯, ২০২৩দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম নম্বর ঐচ-




১/০১/১১৪/২০২৩-ঐচ দি-ঐচ দিনা আই দি পিশিংগীদমক পীখিবা দিরেক্সনশিং অদুদগী শেমদোক শাদোল্লগা থোরকপনি।

চীফ সেক্রেটরিনা মমাঙ থাগী ২৪দা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা আই দি পিশিংগী ইমুংগী মকোক থোংবা মীওই (হেদ ওফ দি ফেমিলি) গী বেঙ্ক একাউন্টতা নোংমদা মীওই অমদা লুপা ৮৪গী চাংদা পীফম থোক্লিবা শেনফম অসি দি বি টিগী খূত্থাংদা পীরগনি হায়বসিনি।

অদুগা অতোপ্পা ৱাফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## এন পি ওনা কাংপোকপী এরিয়াগীদমক পুং ৪৮গী ইকনমিক ব্লেকেদ চথুগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): নাগা পিপলস ওর্গনাইজেশন, সেনাপতিগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা টি ঐচ মুইভাগী ফোটোদা চথুখিবা থৌওংগীদমক থা অসিগী ৫গীঅহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা পুং ৪৮গী ওইনা কাংপোকপীরোমদা চৎপা মখল পুম্নমক্কী ইকনমিক সপ্লাইশিং শটদাউন তৌরগনি হায়রি।

## লিয়াংমাই-ইম্ফাল কৈথেল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৬ শগোলশেল নুমিৎতা শীংজমৈ চীংঙামখাগী মোদেল ক্লবকী বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা লিয়াংমাই-ইম্ফাল কৈথেল কাগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## এন পি পি, টিপ্রা ১সুং অতৈ পার্টিশিংনা 'পান-নোর্থ ইষ্ট পোলিটিকেল পার্টি' শেমগদৌরিব্রা

মেঘালয়, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রিজনদা লৈরিবা মীয়ামগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগী পান্দমদা মেঘালয়গী লৈঙাক পায়রিবা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না পার্টি অসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা নোর্থ ইষ্টকী অতোপ্পা পার্টিশিংগা খূৎশম্নদুনা অনৌবা পোলিটিকেল ফোর্স অমা শেমগৎনবা হোৎনরে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা এন পি পিনা ত্রিপুরাগী নিংথৌগী চাদা-নাওদা ওইরিবা প্রদিওট বিক্রম মানিক্যা দেব বর্ম্মানা লুচিংলিবা টিপ্রাহ ইন্দিজিনস প্রোগ্রেসিভ রিজনেল এলাইএন্স (টিপ্রা) গা খূৎশম্নদুনা 'পান-নোর্থ ইষ্ট পোলিটিকেল পার্টি' অমা শেম্নবা থৌরাং তৌরে। মসিগীদমক ঙসি ন্যু দেল্লীদা পার্টিশিং অসিগী মীহুৎশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অসিদা ত্রিপুরা খক্তা নত্তনা অসাম অমসুং নাগালেন্দগী এম এল এশিং য়াওনা ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বরশিংসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

## অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী মঙলান মঙফাওনগদৌরিব্রা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোস লাক্কদ্রা

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল ফাওবা লৈরমখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর বিরেননা নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তারকপদা রাজ ভবনদা চৎতুনা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী মণিপুরদা চলাইরক্লিবা তাঙ্কক অনীরক শুরক্লবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লোইশিন্দুনা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা অমুক হন্না লৈহনবীয়ু হায়দুনা বি জে পিগী এম এল এশিংনা তকশিল্লকপগী মহয় ওইনা পার্টিগী সেন্ত্রেল লিদরশিং মথং-মথং লাক্কদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

করিগুম্বা বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংনা শোয়দনা মণিপুরদা লাক্লবদি ষ্টেট অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী মঙলান মঙলকখিবা পার্টি অসিগী এম এল এশিংগী মঙ মঙফাওনগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু হংনরক্লে।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা বি জে পিগী নেশনল



### বি জে পিগী এম এল এ অমনদি বি এল সন্তোস লাক্কনি হায়বগী পাউ খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়রকখি

জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) ওইরক্লিবা বোম্মরাসেট্টু লক্সমিজনর্ধন সন্তোস (বি এল সন্তোস) থা অসিগী ১২দা ইম্ফালদা লাক্কনি হায়রি। মহাক্না ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিং অমসুং পার্টিগী এম এল এশিংগা উন্নদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা মতৌ করম্না শেমগদগে, লৈঙাক অদুগী লুচিংবনা কনানা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নরগনি হায়রি।

করিগুম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পি এম জে এ ৱাই অমসুং সী এম ঐচ টিগী মখাদা পেসেন্টশিং লায়েংবীনবা এম পি বিমোলনা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকপা পি এম জে এ ৱাই অমসুং মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুলগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্না হৌদোল্লম্বা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি) গী খুদোংচাবা ফংজরক্লিবা বেনিফিসরিশিংবু এসোসিএশন ওফ হেল্থকেয়র প্রোভাইদরস (ইন্দিয়া), মণিপুর চেপ্টরনা স্কিম অনী অসিগী মখাদা অনা-লায়েং চথুরকপগীদমক পীফম থোকপা শেনফমশিং পীথোরক্ত্রে হায়রদুনা থা অসিগী ৬তগী স্কিম অনী অসিগী বেনিফিসরি পেসেন্টশিংবু লায়েংবা তোল্লগনি অমসুং শেল লৌদুনা লায়েংলগনি হায়রকখিবগী মতাংদা কোংগ্রেস এম পি ডা.অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্টদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা স্কিম অনী অসিগী মখাদা বেনিফিসরি পেসেন্টশিংবু শেল লৌদনা লায়েং মখা তানা চথবীয়ু হায়জখ্রে হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এদ্যুকেশন, ৱিমেন, চিলদ্রেন, য়ুথ এন্দ স্পোর্টসকী মেম্বরসু ওইরিবা এম পিনা ৱাফম অসি এসোসিএশন ওফ হেল্থকেয়র প্রোভাইদরস (ইন্দিয়া), মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্টদা হায়জরদুনা স্কিম অনীসিগী মখাদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## এম য়ুগী ভি সী লৌথোকউ হায়দুনা কে এস এনা গভর্ণরদা ৱাকৎপা লাকপদা পুলিসকা মূক্নখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর নাওরেম লোকেন্দ্রবু ফম অসিদগী লৌথোকউ অমসুং মহৈকোল অসিগী চয়েৎনবশিং লোইশিনগদবনি হায়বা দিমান্দশিং তৌরদুনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন (কে এস এ) না রাজ ভবন তম্না লাক্তুনা গভর্ণরদা ৱাকৎনবা থোমজিল্লকপদা পুলিসনা থিংবদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মূক্নখ্রে।

ঙসি নুংথিল কে এস এগী থৌমীশিংনা খঙহৌদনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনলোমদগী রাজ ভবন তম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা য়েংশিনগনি হায়বা মফমশিং দি সীনা ইন্সপেক্সন তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৬তা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপমেন্ট) সাবিত্রি থাকুরনা জিরিবামদা লাক্তুনা য়েংশিনগনি হায়বা মফমশিং ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কমিস্নর কৃষ্ণকুমারনা লুচিংবা ওফিশলশিংনা মাঙজৌননা চৎতুনা ইন্সপেক্সন চথখ্রে।

ঙসি দি সীনা য়েংশিনখিবা মফমশিংগী মনুংদা দিবোং গ্রাম পঞ্চায়ট, অল্লাপুর, সোনাপুর জিলা পরিষদতা লৈবা অমৃট সরোভর পোন্দস য়াওনা কদমতলা মহাদবপুরদা লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমসুং কমরঙ্গ মৈতৈ য়াওনা রেদাসক্তিসদন হোম সোরোক অতিংবী য়াওখি।

ইন্সপেক্সন অসিদা দি সীনা জিরিবাম অমসুং বোরোবেক্রাগী বি দি ওশিংগসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা অমৃট সরোভর পোন্দস (পৃথ্রি) গী ফীভম নীংথিজনা থম্নবা পাউতাক পীখি। অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদসু দি সীনা মসিগী ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগা ৱারী শানদুনা পোষান ত্রেকর মোনিটর তৌনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী মশীং খংহন হন্থখ্রে

## কুমজা ২০১৯-২০দা টুরিষ্ট ১,৭৯,০০০ হেন্না লাক্লম্বদু কুমজা ২০২৪-২৫দা শুপ্নতগী টুরিষ্ট লিশীং ১৭ লোমদমক লাকখ্রে



মণিপুরগী টুরিষ্ট স্পোটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎ (ফাইল ফোটো)

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা মালেমগী মফম অমত্তদা ফংবা লৈ (সিরুই লিলী) অমসুং শা (সঙাই) লৈজবগী মথক্তা ফ্রেশ ৱাটর লেক অমসু ওইরিবা লোক্তাক পাৎনচিংবা লৈবাক অসিগী অমসুং মপান লৈবাকশিংগী টুরিষ্ট কয়াগী পূক্নিং চিংশিনফম ওইবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### সুপ্রিম কোর্টতা বিরেনগী ওদিও টেপকী কেস

## এন এফ এস এলনা ওদিও এগজিবিটশিং অদু টেম্পর তৌরে অমসুং বিরেনগী খোঞ্জেল ওইব্রা-ওইদব্রা খঙদোকপা ঙমদ্রে হায়রকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা লান অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা এথনিক ভাইওলেন্স অসিদা 'ইমপ্লিকেট' তৌবা মহাক্কী ওদিও টেপনি হায়বা খরা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ত্রষ্টনা পুথোরক্তুনা মঙোন্দা মরাল শীরগা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭০২ ওফ ২০২৪গী মখা তাবা ৱায়েল ঙসিসু এপেক্স কোর্ট অসিদা চথখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং অলোক অরাধেগী বেঞ্চনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা নেশনল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এন এফ এস এল), গান্ধীনগরগী মায়কৈদগী সিল্ড তৌরগা সবমিট তৌরকপা লেবোরেটরি অসিগী রিপোর্ট কোর্টতা থমখি।

কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ত্রষ্টকী পিটিশন অসি ঙসি বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৩১দা লিষ্ট তৌখিবনি। অদুগা পিটিশন অসিগী মতুংইন্না মিনট ৫০ রোম শাংবা ওদিও রেকোর্দিংশিং অদু কেস অসিগী 'ৱাই ১' হায়না মার্কিং তৌবা এগজিবিট ওইরিবনি। অদুবু কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা লেবোরেটরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই দি পিশিংগী অদু তৌনি, অদা তৌনি হায়জরবসু থবক ওইনা পাঙথোরক্ত্রবনিনা কোক ফাওবা ঙাওশিল্লক্লে : ইবেমহল

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
মোটবুং কোলেজ মমাঙদগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...) মোটবুং কোলেজ মমাঙদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মশাগী চহী ৭২ শুরবী নামৈরাকপম ইবেমহলনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু হিংদবা য়াদবনিনা হৌজিক এঞ্জাং-নাপি য়োল্লি। অদুবু লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা লৈত্রিবনিনা ইশাদা অকি-অখংগা লোয়নরগা অদুমক চৎথোক চৎশিন তৌবনিনা ঐগী কোক অসি চাইরে। রিলিফ কেম্পতা ঐনা লৈরিবা কা ফাওবা খঙজিল্লক্তবা য়াওরে। অতোপ্পা কাদা ওন্ন-তৌননা চঙলুবদা কা অদুদা লৈরম্বা মীওইশিংনা ঐগী কাদা থিনবীরকপসু য়াওরে।

অমরোমদা, ইশাগী চহী য়ামশিল্লকপনা ৱাবসু হেনগৎলক্লে। ময়ামগা ঙাইহাক পুল্লুরগা অৱাবশিং কাউথোক্লুরবসু ফমুংদা হেক চঙলক্লগা তুম্বা য়াদে অমসুং খন্দবা ঙম্লক্তে। রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী ইচানুপা ফাওবা অহোংবা কয়া লাক্লে। ৱা ঙাঙনবা য়াশিল্লক্ত্রে। রিলিফ কেম্পতগী করম্বা মতমদা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনগদৌরিবনো হায়না ঙাইবদা ৱাশিল্লক্লে।

মরম অসিনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোল্লগা ঐখোয়দা করিসু কান্নবা লৈতবনিনা পাঙথোকহন্নীংদে। রিলিফ কেম্পেতা লৈরক্লিবসি চহী অনী মখায় ফারক্লবনি। ঙসি ফাওবদা য়ূমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবনি। শুফম নোম্ফম লৈতবা মফম অসিদা লেল্লক্লগা অনৌবা ৱাখল থোরকফম থোক্তে। হান্না মোটবুংদা লৈরিঙৈদদি মফম অদুগী কৈথেল অদু লৈবাকপোকপা অমসুং ইরাই নুমিৎতা কাই। নুমিৎ অনীসিদা কৈথেলদা চাক থোংলগা য়োল্লি। অতৈ মতমদনা কাংহৌ, বোরা, ঙা অতাওবনচিংবা য়োল্লি।

ইশাগী য়ূমদা লৈজদুনা শেল তাঞ্জবনিনা চানীংবা এঞ্জাং চাদুনা ঈংনা পোত্থাবা ফংই। ঐনা তাঞ্জবা শেল অদুদগী মরুপ য়াওগে হায়রবসু য়াওশিনবা ঙম্মী। হৌজিক্তি শেল থোক্ত্রবনিনা চানীংবা অমা চাবা ফংদ্রে। পূক্নিং ৱাখল লৈতানা তূম্বসু ওইদ্রে। অদুবু তৌফম খঙলক্তবদগী রিলিফ কেম্প মনুংদা এঞ্জাং-নাপি য়োনবা হৌরকপনি। য়োল্লিবশিং অসিসু য়াম্না শিৎপা নত্তে, থৌওইনা পূক্নিং ৱাখলগী অৱাবা কাউননবা হোৎনরকপনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐনা য়োল্লিবা এঞ্জাং-নাপিশিং অসি রিলিফ কেম্প মনুংদা য়োনবনিনা শেল পায়দবা ঐগুম্বা ময়াম্না লৈবা ঙমদে। অদুবু শেল থাদরগা লৈবসু য়াওই। অদুগা অয়াম্বনদি শেল ফংলগা পীগে হায়দুনা লৌখিবনা নম্মী। (মথং-মথং)

## নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল থারক্ত্রবদি অঙকপা খোঙজং চঙশিল্লগনি : ঐচ এ সী



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্না 'স্কুল ফগৎহনসি মিশন' ফাওবা হৌদোক্তুনা ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেশন সেক্টর ফগৎহন্দুনা ক্বালিটি এদ্যুকেশন পুরক্লবা হোৎনরবসু হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি ভাইস প্রিন্সিপাল লৈতবনা মহৈশঙ অসি কাং-খোং চাইরম্লে হায়রি।

মরম অসিনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা স্কুল অসিগী রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমদি ভাইস প্রিন্সিপাল থারক্ত্রবদি অঙকপা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না হৈরোক অপূনবা ক্লবকী প্রসিদেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কাংপোকপী : খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎলে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক কৈথেলমানবী পি এসনা কোনবা তুপুলদগী কিলোমিটর ৭ লোম লাপ্না লৈবা লোইবোল ভিলেজ অমসুং চরোই পান্দোংবা পার্ট ৱানদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা থি-হুম্বগী থবক চথুবদা ত্রেলভ বোরগী ফোলদেদ বট অমা, বোর অসিগী রাইফল অমা, পোইন্ট ২২ রাইফল অমা, কন্ত্রিমেদ পোম্পি লঞ্চর অমা, বাউফেং হেন্দ সেট অমা, পোইন্ট ২২গী মরূ ২০ ফাগৎলে হায়রি।

## দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস ৯৯ থেংনরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : ঙসি নুমিদাংৱাইরম হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গীগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯৯ থেংনরে হায়রি।

কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট-৭৬, ইম্ফাল ইষ্ট-১৮, বিষ্ণুপুর-১, থৌবাল-১, উখ্রুল-১, ককচীং-১ অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা অমা থেংনবনি হায়রি।

নৌনা থেংনবা কেসশিং অসি থারগা ঙসি ফাওবদা থেংনবা লায়না অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫